# ষণদা মচীন মরৈ অমদি মখোঙ নাবা

## ডাঃ সরাংথেম জেম্মারাণী







**ষণদা** মচীন মরৈ অমদি মখোঙ নাবগী লায়নাসি ষণবুশিংনা য়াম্না তোয়না থেংনবীরবা লায়না মখল অমনি। চহী খুদিংগী লায়না অসি মফম অমদা নৎত্রগা অমদা পাকশন্না শন্দোরকই। হায়রিবা লায়নাসিনা শিবমক শিহন্দ্রগসু পুথোরক্কদবা পোথোক্কী চাং অদুক্কী মতিক হন্থনা পুথোকই। মচীন মরৈ অমদি মখোঙ নাবগী লায়নাসি অমগা অমগা লৌনদুনা য়াম্না থুনা শন্দোরকপা লায়না মখল অমনি। লায়নাসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। লায়নাসি নাবগী লায়ওং উৎথোক্ত্রিঙৈদা ভাইরসশিং অসি নারিবা ষণদগী এনভাইরোনমেন্টতা থোরক্তুনা কুইনা হীংবা ঙম্মী। মরম অসিনা লায়না অসি য়াম্না থুনা অমগা অমগা লৌনবা ঙমহল্লি।

**লায়না শন্দোরকপা ঃ**

লায়না চেল্লবা ষণগী মনপ-মতিন, মথি-ময়ুং অমদি শ্বর হোন্দোরকপদা লায়না অসি থোকহল্লিবা মহীকশিংগী মশীং অদুক্কী মতিক য়াম্না য়াওই। হায়রিবা মহীকশিং অসি মরম কয়ামুক্না অতৈ নাদ্রিবা ময়াম অমদা মথং মথং শন্দোকখিদুনা লায়না অসি পাক চাউনা নাহল্লি। অনাবা ষণগা নক্না লৈমিন চামিন্নরিবা নাদ্রিবা অতোপ্পশিংগা চামিন থকমিন্নবদা মনপ-মতিন্দগী থোরকপা মহীকশিংদু মচীঞ্জাক অমদি ঈশিংদা য়াওখিবগা লোয়ননা নক্না শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিদুনা নাদ্রিবা ময়ামদুদা চঙখিদুনা য়াম্না থুনা লায়না অসি লৌনরকই। ষণগোন্দা লৈরিবা হয়িং, তীল-কাং, উচেক-ৱায়া, হূই হৌদোঙ অমদি শেবা তৌরিবা ষণবুশিংনা লায়না অসিগী মহীকশিং অতোপ্পা নাদ্রিবা ময়াম অমদা শন্দারকপগী চাং ৱাংহল্লি। ষণবুশিংনা অনাবা ষণদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক নীংথিনা ফেংদোক চামথোক তৌবিদ্রগদি লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। করিগুম্বা মতমদা অনাবা ষণশিংনা হোঙদোক হোঞ্জিন তৌবা নৎত্রগা ফার্ম অমদগী অমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংসু মহীকশিংসি মফম অমদগী অমদা শন্দোরক্লবা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। মসিদসু নত্তনা শিৎলিবা নুংশিৎনসু অনাবা মফমগী মহীক য়াওরবা উফুল ৱাইফুলশিং হুমদুনা অতোপ্পা মফমদা পুবা মতমদসু মহীকশিং অসি মথং মথং শন্দোকহল্লি।

**লায়নাগী লায়ওং ঃ**

অহানবদা লায়নাসি নাবা হৌরকপদা লাইহৌ হৌরক্তুনা মশা নিকপা উরক্কনি। মশা শাবগী চাংসি ১০৫-১০৭°এফ লোয়ননা মতু ইপোম পোন্দুনা চাবা থকপগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থরক্কনি। মচীনবান্দা কোঙ্গোল য়াম্না য়াওবা অঙৌবা মচুগী মতীল পকপা অমদি তপ-তপ নৎত্রগা মরী মরী লৈমায়দা তারকপা থেংনগনি। মচীন অদুসু মখোল থোক্না শগুপ শাইবগী মওংদা মচীনশিংদু শাইদুনা লৈবা উগনি। ষণবুনা অসিগুম্বা মতমসিদা মচীন ফাক্তুনা য়েংবীবা মতমদা য়ারী-য়াখোঙ, মরৈ, মচীনবান্দা অমদি মঙৌনচিংবদা ঈশিং হানবা ফুরিগুম্বা মচা-মচা পোমখৎতুনা লৈবা উগনি। নোংমা নীনিগী মতুংদা হায়রিবা ফুরি মচা মচাশিংদু কায়খিদুনা মচেৎ-মচেৎ চাফৎতুনা ঈ থোক্তুনা লৈবা থেংনগনি। মচীন মরৈদা পকপা হঙ্গামপাল মচু চঙবা মপ্রাম অদু কেনখিদুনা মপাক মপাক চাথৎপা অমদি ঈ থোকপসু য়াওরকপা থেংনবীগনি। হায়রিবা মতমসিদা নারিবা ষণনা শজিক নৎত্রগা চরুনচিংবা চাশিন্দুনা শাইরগসু য়োৎশিনবা ঙমদদুনা ওথোকপসু য়াওরকই।

মচীন মরৈ নাবগী মথক্তা মখোঙ নাবা য়াওরক্লগদি অহানবদা নারিবা ষণদু চৎপদা মখোঙ শেকপা অমদি মখোঙ নাদুনা চৎলু হায়বদা য়ারক্তবা, মখোঙগী খুজিল মথক্কী অমদি কারক্কী অথোৎপা মফমশিং পোমখৎপা, পায়বদা ফোঙ-ফোঙ শাবা ফাওবা থেংনবীগনি। ফুরি থুংদুনা চাথৎপসু থেংনবীগনি। মসিদা ঙন্না লায়েংবীহৌদ্রগদি অতোপ্পা মহীকশিং চঙখ্রগদি শাথিবা মওংদা নাহল্লকই। অনাবা মফমদা হয়িং তোংখ্রগদি খোঙগী খুজিল হুত্তোকপা ফাওবা য়াওরক্তুনা হন চঙবসু য়াওরকই। মসিনা হেন্না শাথিনা নাহল্লকই। ষণবীশিংগী খোমজিন্দা চাথৎপা অমদি শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংদা খোমদা হৌহল্লি। শঙ্গোম থোকপী ষণবীদা মচীন মরৈ অমদি মখোঙগী লায়না অসি নারক্লবদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ৪৫ গী চাংদা হন্থরকই। লায়না অসিদগী ফরকপা মতম শাংনা চঙই অমদি ফরক্লবসু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপদা কুইনা চঙই।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

(১) কাঙলোন অমগী মখাদা ষণশিং পুথোক পুশিন তৌবীগনি।

(২) লায়নাসি নারিবা মফমদগী ষণ খক লৈবিরোইদবনি।

(৩) ষণ য়োন্থোক য়োনশিন তৌরিবা কাঙবুনা মশাগী ষণগা কোন্ননা লায়না চেল্লবা ষণশিংগী মনাক্তা খক চঙবীরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

(৪) ইশা-ইশাগী ষণশিং লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা মনাক নকপদা লৈরিবা ভেটিরিনরিগী সেন্তরশিংগা খূৎশম্নরগা মতম চানা টিকা থাদোকপীগনি।

(৫) টিকা থাবা মতমদা লৈকায় লৈকায় নৎত্রগা খুনগী ওইনা পুল্লপ অমুক্তদা থাদোকপীহৌগনি।

(৬) অতোপ্পদগী ষণ লৈবা তারগসু টিকা থাদোক্লবা ষণ ওইনা লৈবিগনি।

(৭) ষণগোন মতম পূম্নমক্তা লু-নান্না ষণথি-ষণয়ুং নীংথিনা শেংদোক্তুনা মফম চানা থম্বীগনি অমদি মতম পূম্নমক্তা কাং-হয়িং হন্থহন্নবা ষণবুশিংনা হোৎনবীগনি।

**লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা লৌবীগদবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

(১) লায়না অসিবু নারে খঙলবা ষণশিং তোঙানবা মফম অমদা চথোক চৎশিন তৌহন্দনা থম্বীগনি।

(২) নারবা ষণশিং ষণজাবুংদা খক থাদোকপীরোইদবনি। মসিনা অতোপ্পা ষণদা লায়না শন্দারকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

(৩) নারবা ষণশিং কোলুপকী পুখ্রি, তুরেলদা পুথদুনা ঈশিং পীথকপীরোইদবনি।

(৪) লায়না চেল্লবা ষণশিং অতোপ্পা ষণশিংগা পূন্না চৎমিন্নহনবীরোইদবনি।

(৫) লায়না অসি নারে খঙলবা ষণশিং টিকা থাবীরোইদবনি। হায়রিবা ষণশিংসিগা পূন্না লৈমিন্নরম্বা ষণশিংসু হায়রিবা টিকাসি থাবীরোইদবনি মরমদি লায়না অসিবু থোকহল্লিবা মহীকশিং য়াওবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

(৬) লায়নাসি থোকখ্রবা মফমশিংদা ষণ লৈবিগে হারগসু থা ৬ লৈরবা মতুংদা ষণ লৈবীগনি।

(৭) খুন অমদা লায়নাসি শন্দোকখ্রগদি নক্না লৈবা খুনশিংদসু টিকাসি থুনা থাদোকপীগনি। অহানবা থাখ্রবা মতুংদা নুমিৎ ২১ নি লৈরগা অমুক থাবীরগা থা ৬ খুদিংগী থাদোকপীগনি।

(৮) লায়না অসি শন্দোরকপা তারগদি লায়ওং উৎত্রিবা ষণশিংনা হান্না য়েংবীরবা মতুংদা অনাবা ষণশিং অমুক লায়েংবীগনি।

(৯) মচা চেল্লবী ষণবীদু লায়নাসি নারগদি মচাদু মখোম পীথকপীরোইদবনি।

(১০) ষণগোল লূ-নান্না শেংদোক্লবা তুংদা শুনু চাইথোক্লগা থম্বীগনি।

ষণদা নাগনবা মচিন-মরৈ অমদি মখোঙ নাবগী লায়না অসিগী টিকা মরাং কায়না ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা ফংলি। খুল খুলগী ষণবুশিংনা পুনশিন্দুনা ইশা ইশাগী টিকা থাদোকপীনবা নীংশিংজরি। মতম চানা অমদি চাং নাইনা টিকা থাবিহৌরগদি ইশা ইশাগী ষণশিংদু লায়নাসিদগী কনবা ঙম্বদা নত্তনা হায়রিবা লায়না অসিদগী মরূ ফংনা মাঙহনখিনবা অচৌবা থৌরাং অমসু লৌবিগনি হায়বগী থাজবা মদুসু থমজরি।

# ঙাগী পোথোক হেনগৎহন্নবা পাম্বৈ

## ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ

**ঙা** য়োকপা ঙামী অমনা ঙাগী পোথোক হেন্না পুথোক্কে হায়রবদি ঙা য়োক্কদৌরিবা মফম অদু হেন্না পাকথোক-চাউথোকপা নৎত্রগা অকক্লবা মফম হায়বদি শঙম নৎত্রগা পরি খুদিংদগী ফংবা ঙাগী পোথোক হেনগৎহনবা মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং ঙায়োক ফার্ম চাওথোকপা হায়বসি মতম পূম্নমক্তা ওইথোক্তে। ঙামী অমনা মহাক্কী ফার্ম চাওথোকপা তারগসু পুখ্রি খুদিংগী ঙাগী পোথোক হেনগৎহন্দুনা ঙা হেন্না পুথোকপনা অমুক্কা হেন্না কান্নগনি।

ঙাগী পোথোক হেনগৎহন্নবা পাম্বৈ অনীখক লৈ। অহানবা পাম্বৈনা ঙা য়োকপদা শুনু, হার অমসুং ঙাগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না শীজিন্নবগা লোয়ননা ঙায়োক পুখ্রিগী ঈশিং নীংথিনা য়েংশিনবা। অনীশুবা পাম্বৈনা অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা (চারা/ধারা) য়োকপনি। পাম্বৈ অনীসি পূন্না শীজিন্নরবদি অঙকপা ফংনা ঙাগী পোথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মণিপুরদা ঙামী অয়াম্বনা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োক্তুনা অহানবগী পাম্বৈ অসি নীংথিনা শীজিন্নদুনা মাগী মাগী ফার্মদা ঙাগী পোথোক হেনগৎহনবা ঙল্লে। অদুবু অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা (চারা/ধারা) করম্না খনগদগে নৎত্রগা পুথোক্কদগে হায়বগী ৱাখলদি য়াম্না শোথরি। খুদম ওইনা কনাগুম্বা মীওই অমনা ষণ অমা লৈদ্রিঙৈদা ষণবীদু শঙ্গোম কয়াম থোকই, মচা কয়ারক পোকই নৎত্রগা ওক লৈবা মতমদা মপীদু কয়াম চাউই, অমুক্তা মচা কয়াম পোকই হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংদুনা লৈগদৌরিবা ষণ নৎত্রগা ওক অদুগী মগুন খঙদোক্লগা মতিক চাবা মমল পীদুনা লৈ। অদুবু ঙা মচা লৈবদদি কনাসু ৱাহং অমত্তা হংলুদে নৎত্রগা থিগৎলুদে। শুপ্নতগী ঙাদুগী চাউ-শাংবা অদুতমক য়েংলগা মমল লেপ্পী। শেল তিংনা লৈদুনা চহী অমা য়োক্কদৌরিবা ঙাশিংদুগী মপীশিং অদু চহী কয়া শুরে, মপূং মরৈ ফারব্রা, কয়া য়াম্না চাউই নৎত্রগা লুম্মী, মরুম কয়ারক কোকখ্রে, লায়না তীলনা চেনব্রা নৎত্রগা ঈ মরীশিংদগী ওইব্রা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংফম থোক্তবরা?

ঙা মপী খরখক মরুম কোকহনবা মফমশিংদা ঙা মপী মশীং য়াম্না শীজিন্নদবনা চারোল-শুরোল কয়া নক্লবা ঈ মরীশিং হায়বদি মমা-মচা, মপা-মচা নৎত্রগা মচিন-মনাওশিংদগী ঙা মচাশিং পুথোক্লি। লোয়ননা মখল মান্নদবা ঙাশিং পূন্না অমুক্তা মরুম কোকহনবসু তোয়না থেংনৈ। ঙা মচা পুথোকপা ফার্মশিংদা ঙা মপীশিংগীদমক তোঙানবা অখন্নবা পুখ্রিশিং নৎত্রগা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎনদে। শেন্দাংগীদমক খন্দুনা য়াম্না পীকপা নৎত্রগা চাউবা হেন্দবা ঙা ফাওবা মচা পুথোকপদা শীজিন্নবসু য়াওরি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম ঐখোয়না পুকলাওবীদা উরি। গ্রাম ১০০ ফাওবা লূমদবা ঙা মপীশিংদগী পুথোরকপা ঙা মচাশিং খঙজদবা ঙামী কয়ানা লৈদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা য়োক্লরগা চহী অমগী মতুংদা ঙা চাউদবা অমসুং পোথোক হন্থবা কয়া তত্তনা মায়োক্লরি। খরা থুনা চাওগল্লি হায়নরিবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা রৌ অমসুং গ্রিগল মণিপুরগী ঙায়োক ফার্মশিংদা চহী অমদা গ্রাম ৫০০ য়ৌনা লূম্বা/চাউবা ঙমদ্রিবসি অফবা মপী শীজিন্নদুনা মচা পুথোক্তবা অমসুং চারোল-শুরোল নক্লবা ঈ মরীশিংদগী মচাশিং পুথোরকপদগীনি। অমরোমদা অমুক চহী য়াম্বদগী য়াম্না চাউরবা ঙা মপীশিংগী মচাশিং ফাগনি নৎত্রগা থুনা চাউগনি হায়নীংঙাই ওইদে।



অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা পুথোক্লবগীদমক মচা লৌগদবা ঙা মপীশিং নক্লবা ঈ মরী ওইবগী চাং হন্থহনগদবনি। মসিগীদমক তঙাইফদনা অমুক্তা ঙা মপী লাবা/অমোম ২৫/২৫ দগী তাদনা মচা পুথোকপা খুদিংগী শীজিন্নবীগদবনি। অসুম্না নোংমতদা ওনমিন্নবা মচাশিং অসিদগী খ্বাইদগী হেন্না অমসুং থুনা চাউগনবা নৎত্রগা লূম্বা ঙাশিং চাদা ৫ দগী ১০ খক্তমক খনগৎতুনা অখন্নবা পুখ্রি অমদা মপীগীদমক শেমগৎকদবনি। য়ামদ্রবদা ঙা ১০০ দগী ২০০ ফাওবদি মপী ওইনা শেম্বীগদবনি। অদুবু চহী অমদা ফার্মদুদা পুথোক্কদবা ঙা মচা মশীংগী মতুং ইন্না ঙা কয়া মপীগীদমক শেমগৎকদগে হায়বদু লেপকদবনি। মতৌ অসুম্না চারোল শুরোল কয়া মথং মথং অখন্নবা মপীশিংদগী শন্দোক্তুনা য়াম্না থুনা চাউগনবা অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা (চারা/ধারা) শেম্বা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা মচা লৌগদৌরিবা ঙা মপীশিং অসি তোঙান তোঙানবা মফমদগী ওইরবদি অমুক্কসু হেন্না ফৈ।

কটলা (বাউ), রৌ, গ্রিগল, সিলভর কার্প অমসুং নাপী চাবী অসি চহী ২ দগী ৩ শুরকপদা মপূং মরৈ ফাই। কিলোগ্রাম ১.৫ দগী ৩.০ লূম্বা ঙা মপীশিংনা মচা পুথোক্লবগীদমক খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ঙা মরুম কোকহনগদবা থা অহুম মরিগী মাঙওইননা খনগৎলবা ঙা মপীশিংবু তোঙান্না শেম শারবা ঙা মপী য়োকফম পুখ্রি অমদা পরি অমদা ঙা কিলোগ্রাম ১৫০০ দগী ২০০০ ফাওবা খক্তমক থম্বীগদবনি। লোয়ননা চেংকুপ, থাওথি, ঙাগী মকুপ অমসুং ভিটামিন মিনরেলশিং য়ানশিন্নদুনা শেম্বা মচিঞ্জাক অপূনবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা ২ দগী ৩ ফাওবগী চাংদা পীজবীগনি।

শেন্দোং লৈনা ঙা য়োক্লবগীদমক অফবা মগুন চেনবা মচা মরাং কায়না ফংবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ঙামী খুদিংমক্না ঙা মচা লৈরমদাইদা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাহংশিং অসি শোয়দনা হংবিদুনা অমসুং শকখঙলবা নৎত্রগা থাজবা য়াবা মফমশিংদগী অফবা মগুন চেনবা ঙা মচা চারাতবু লৈবীদুনা ঙাগী পোথোক হেনগৎহল্লসি অমদি শেন্দোং লৈনা ঙা য়োক্লসি।

# কার্ল মার্ক্স পোকপা চহী ২০০ শুরকপগী বাই সেন্টিনরি সেলেব্রেসন

## লাইশ্রম সোটিনকুমার

**কার্ল মার্ক্স** পোকপা চহী ২০০ শুরকপগী বাই সেন্টিনরি সেলেব্রেসন চহী অমা চূপ্পা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মে ৫, ২০১৮দগী হৌদোক্লি। তাইবঙপাল অসি লেপ্তুনা হোংলি। হোংলকখিগনি। হোংলক্লিবশিং অসি অমগা অমগা মুক্লবগী মহয়নি। মুক্লবা হায়বা অসিনা তাইবঙপাল অসিদা লৈরিবা পোৎশিংগী মশা মনুংদা নৎত্রগা পোৎ অমা মপৈ অমগা মুক্লবা কয়া থোক্না লৈরি। মুক্লরিবশিং অদু মান্নবা মখলগী নৎত্রগা মান্নদবা মখলগী ওইবা য়াই। মুক্লবা মখল খরদি য়ান্নদবগী মুক্লবনি, মখল খরা অমদনা য়ানবা মখলগী মুক্লবনি। য়ানদবা মখলগী মুক্লবদি মুক্লবা অদু লোইশিনখিবদা মখল অমদি মাঙখিগনি, হায়বদি য়ান্নদবা অদু লৈররোই, য়ানবা মখলগী ওইবা মখা চত্থরকখিগনি। মদুনা চাওখৎপা মায়কৈরোমদা লমজিংদুনা অহোংবা অমা লাক্কনি। মরম অদুনা মুক্লবা হায়বা অসি মমুৎ তানা খঙনবা নৈনবা, অহোংবা হায়বা অসি করম্না ওইরকই অমসুং মসিনা তাইবঙপালদা করম্না ইথিল পীবগে হায়বা অসি নৈনবা তারবদি মেটরিয়েলিষ্ট ফিলোসোফি খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মখল অসিগী ফিলোসোফি অসি খঙগে হায়রবদি কার্ল মার্ক্স অমসুং ফ্রেন্দরিক এঙ্গেলসকী পুন্সি, থবক অমসুং ফিলোসোফি নৈনদবা য়াদে।

কার্ল মার্ক্সকী মমিং হেক পনবদা মিং অসিগা হেক্তা শেত্তোক ফাক্তোক্লবা য়াদবা য়াম্না মরু ওইবা লাইরিক অনী লৈ। লাইরিকশিং অদুদি 'মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি' অমসুং 'কেপিটেল' হায়বা অসিনি। অহানবগী লাইরিক অসিনা কাঙলূপকী অওৎ অনৈ লোইশিন্দুনা অনৌবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক কাঙলূপকী লান শোক্লরিবা শিন্মী কাঙলূপ অমসুং শূরি নোল্লিবা মীয়াম্বু লেপ্পা লৈতনা থৌগৎলিবা লাইরিকনি। লাইরিক অসি মার্ক্সনা কুমজা ১৮৪৮গী ফেব্রুৱারীদা ইহান হান্না ফোঙদোকখিবনি। লাইরিকসিদা য়াম্না মরীক চূম্না হায়রি মদুদি "মীওইবগী খুন্নাই খুদিংমক্কী পুৱারী অসি কাঙলূপকী লানগী পুৱারীনি। লাইরিকসিগী লোইশিল্লকপদা কাঙলূপকী লান থেংনরিবা খূৎ-তৎলবা শিন্মীশিংগীদমক্তা অসুম্না হায়রি, "শিন্মীশিংগী করিসু মাঙনীংঙাই লৈতে মখোয়না পুশিল্লিবা য়োৎহ্লিং কোল্লৌশিংদু নত্তনা"। মেনিফেষ্টো অসি সাইন্টিফিক সোসিয়েলিজমগী আইদিয়াশিংবু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা য়াৎথোক্লবা পোলিটিক্সকী, আইদিওলোজিগী অমসুং থিওরিটিকেলগী য়ূম্ফম অদুনি। লাইরিক অসিগী রসিয়ান লোলগী এদিসন্দা অসুম্না হায়রি, "কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টোগী পান্দমদি মোর্দন বুর্জুৱা প্রোপর্টি অসি থিংবা ঙমদনা শুকশোয় শোয়দনা মুখৎলগনি হায়বা অদু হন্না লাউথোকপনি"। মেনিফেষ্টো অসি 'গাইদ টু এক্সন' নি হায়না মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লে।

অদুম ওইনমক মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা চেকশিন্না হায়রি মদুদি, মখোয়না শেল্লিবা অওনবা পুরক্লবা থৌরম পরেং অসি লৈবাক খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মওংদা পাঙথোকপা য়ারোই, তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ফীভমগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি। মখোয়না মখা তারি- অওনবগী খোঙজং কনখৎলকপা অমসুং চাওখৎলকপগা লোয়ননা কাঙলূপকী খেন্নবশিং মাঙখিগনি অমসুং পোথোক পূম্নমক ফুরুপ পূম্বগী খূৎতা লৈগনি। কাঙলূপশিং অমসুং কাঙলূপকী য়েংথিনবা লৈবা অরিবা বুর্জুৱা খুন্নাইগী মহুত্তা ঐখোয়গী অনৌবা লূপ অমা লৈগনি, মদুদা মীপূম খুদিংমক নীংতম্না চাওখৎকনি, মদু পূম্নমক্কী নীংতম্বা চাওখৎপনি।

মেনিফেষ্টোগী খূৎলায় অসি পায়দুনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী তোপ তোপ্পা ফীভমশিং নৈনদুনা শূরি নোল্লিবা কাঙলূপ্না রসিয়া, চাইনা, ভিয়েটনাম, ক্যুবা অমসুং অৱাং কোরিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা মায় পাক্লবা অওনবা পুরকখ্রে অমসুং অমুক্কা খূৎলায় অসিগী মতেং লৌদুনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউ মতুংদা লৈখিবা য়ুরোপকী ফীভম অদুদা নোংপোক য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লৈঙাক কয়া অমা লীংখৎখি। চহী খরা অসিদা সমাজবাদকী লৈবাক খরদা মথক মখা খরা ওনখ্রবসু হৌজিক্তি সমাজবাদকী খোঙজং নৌহৌননা অমুক লৈবাকশিং অদুদা কনখৎলক্লে। সমাজবাদকী শক্তিশিংনা খা অমেরিকাগী লৈবাকশিংদা ব্রাজিল, নিকারাগুৱা, চিলি, আর্জেন্টিনা, ভেনিজ্বেলা অমসুং বোলিভিয়ানচিংবদা সাসন তৌরক্লে। মসিনা তাক্লিবদি, মেনিফেষ্টোগী মরুওইবা ৱারমশিং অদু মপূংদা, ঙসি ফাওবা চুমদুনা লৈরি। মরম অদুনা মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসকী 'মেনিফেষ্টো ওফ দি কম্যুনিষ্ট পার্টি' অসি মতম চূপ্পদা চুমদুনা লৈগনি।

কার্ল মার্ক্সকী অনীশুবা লাইরিক 'কেপিটেল' হায়বা অসিদি অচৌবা ভোল্যুম অহুম্না শাবনি। অহানবা ভোল্যুম অদু কুমজা ১৮৬৭তা ফোঙখি। মার্ক্সনা হায়, লাইরিক অসিগী পান্দমদি মোর্দন সোসাইটিগী ইকনমিক লো অসি পুমহাং হাংদোক্তুনা ফোঙদোকপনি। মহাক্না থাজৈ মদুদি পোলিটিক্সকী য়ূম্ফম লীংখৎপা অসি ইকনমিক সিষ্টেমগী য়ূম্ফমদা শাগৎকদবনি। মরম অদুনা মহাক্কী মরুওইবা লাইরিক অসি মোর্দন ইকনমিক সিষ্টেম হায়বদি কেপিটেলিষ্ট খুন্নাই নৈনবদা কখোকপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী অহানবা ভোল্যুম্না কেপিটেল পুথোকপগী মওং নৈনবনি, অনীশুবা ভোল্যুম্না কেপিটেল শন্দোকপগী মওং নৈনবনি, অদুগা অহুমশুবনা কেপিটেলিষ্ট প্রদক্সন অদু মপূং ওইনা নৈনবনি। ভোল্যুম অহুমসি নত্তনা কেপিটেলগী মরিশুবা ভোল্যুমনি হায়না লৌনবা 'থিওরি ওফ সরপ্লস ভেল্যু' কৌবা লাইরিক অমসু মার্ক্সনা ইরম্মী। মসিদা কেপিটেল অমসুং কেপিটেলিজম চাওখৎলকপদা চঙবা অকূপ্পা লৌশিং অদু য়াম্না শুগাইনা পল্লি। মহাক্না মসিদা য়াম্না কূপ্পা নৈনরিবগী মরমদি সোসিয়েলিজমগী য়ূম্ফম অমা থোনবনি অমসুং মদুদা মহাক্না সোসিয়েলিষ্ট খুন্নাই অমা শাগৎনবা চংশিনবগী থৌরাংনি। মরম অদুনা মার্ক্সকী কেপিটেলগী ভোল্যুমশিং অসি মহাক্কী কৃতিকশিংনা লেপ্তুনা নৈনৈ, করিগুম্বদা শীংনরকই, করিগুম্বদনা শৌগৎলি অমসুং চুম্না শন্দোক্না তাকই।

-মথং-মথং

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১। ঐখোয়গী 'ময়াংইম্ফাল' অসি হান্নদি 'ময়াংয়ূম্ফম' হায়না কৌরম্বনি। মদু খুমন নিংথৌ অমনা ময়াং কালিসা নিংথৌ অমগা লান শোক্লবদা খুমন নিংথৌনা ঙমদুনা ফারকপা ময়াংশিং লৈহনখিবদগীনি।

(ক) খুমন নিংথৌদুগী মমিং করি কৌই ?

(খ) ময়াং কালিসা নিংথৌদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "নীংথিরবী নুজাগী/ঙক্তা শিবা লৈতেংগী/সনা লিকফাং মরক্তা/অমতা থানবা মনিগুম।" পরেংশিংসি কবি ময়ুরধ্বজগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু?

৩। তোংব্রাগী পুন্সি লোইরমদাইদা Tretalogy (দ্রামা ৪না শাবা) ইরম্মী। অহুমদি (১) সনাখৈ হূখ্রে লৈবাক্তে (২) ককখ্রবা কোকয়াম রাবন ককয়াই (৩) নুপীগী অধিকার অসিনি। মরি শুবা দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?

৪। "নাকল অমরোমদা শৈরেংদি কলানি/কলাগী মগুণদি আধ্যাত্মিক্না পাদম ওনগদবনি, এস্থেটিক ভেল্যুনা মচু লোক্কদবনি।" ৱাফম অসি নুপী ক্রিটিক অমনা হায়বনি। নুপী ক্রিটিকতুগী মমিং হায়য়ু?

৫। "চীংনা ঐগী পম্থৌ, তম্না ঐগী পলেম" কৌবা হন্দোকপা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।